**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নুমিৎ নিনি চথ্তগদবা থিয়েটরগী লমদা শকাইরবা রতন থিয়ামগী জাতিগী থাক্কী সেমিনার ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হৌদোকখ্রে।

২) ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি চহি ৭ খুন্তাকপা অমসুং নেসনেল রিকন্সোলিদেসন হায়বসিদা খন্ন-নৈনখ্রে।

৩) রাষ্ট্রপতিনা হায়রি- ইনর্জিবু লিকা শিজিন্নবা হায়বসি হৌজিক্কি মতমদা য়ামমক তঙাইফদবা অমা ওইরে।

৪) কম্মিসন ফোর এয়ার ক্বালিতি মেনেজমেন্টনা দিল্লি অমসুং এন.সি.আরদা থা অসিদা পাঙথোকবা লেপ্পল্লবা ফিজিকেল স্পোর্টস কম্পিতিসনশিং য়ৈথোকবা খঙহনখ্রে।

অমসুং

৫) ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনিগী বোন্দি বিচতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম চথ্খিবা এটেক অমদা সুত্তর অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিরে, অতৈ ২৯ না শোক্লে।

------

সেমিনার (এল)ঃ থিয়েটরগী লমদা শকাইরবা রতন থিয়ামগী নুমিৎ নিনি চথ্তগদবা জাতিগী থাক্কী সেমিনার ঙসি ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হৌদোকখ্রে। রাজ্যপাল অমদি

ফাষ্টঁ লেদিনা লুচিংদুনা মীয়ামা রতন থিয়ামগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমি অনিনা পুন্না শিনবা সেমিনার অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা রতন থিয়াম ভারত অমদি মণিপুরগী থিয়েতরগী লমদা পীরম্বা শিংথানিঙাই ওইরবা দানবু নোহৌনা নিংশিংখি। মহাকা হায়- রতন থিয়ামগী শিংথানিঙাই ওইরবা ড্রামাশিং- চক্র বিহু, উত্তর প্রিয়াদর্সিনি অমসুং নাইন হিলস-ৱান ভেল্লিনচিংবা অসিনা শান্তি, সংস্কৃতি অমদি নুংশি চান্নবগী পাউজেল পীখি। রাজ্যপালনা হায়- রতন থিয়ামনা মণিপুরবু মালেমগী সংস্কৃতিগী মেপতা য়াওহনখি অমসুং রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা হেরিতেজগী এম্বেসেদর অমা ওইখি।

থৌরম অদুদা জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমিগী ভাইস চেয়ারমেন, শক াইরবা ভারতকী কবি অমসুং অইবা ডাঃ উদায়ন্না ভাজপায়না লৈখিদ্রবা সংস্কৃতিগী আইকোন অসিগী পুন্সি অমসুং মহাকা হোৎনরম্বশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা থা ৬ কী ওইনা পুথোকপা রতন থিয়ামদা কৎথোক্লবা মণিপুরী কলচর এন্দ লিটরেচর কৌবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী চেফোং অমসু পুথোকখি।

রতন থিয়ামগী পুন্সি অমসুং মহাক্কী থবকশিং উৎপা রতন থিয়াম দ মেন ওফ থিয়েতর হায়না মীংথোনবা নোন-ফিচর ফিলম অমসু উৎখি।

যুথ (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট যুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার থৌবালনা শিন্দুনা থৌবাল জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল যুথ ফেষ্টিভেল ২০২৫ ঙসি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা মল্টিপরপজ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী নহাশিংনা লাইয়েকপা, ৱারী ইবা, শৈরেং ইবা, ফোল্ক সোং অমসুং ফোল্ক ডান্সকী চাংদমবা কয়া পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মেরে য়ুবা ভারত মণিপুরগী ষ্টেট দিরেক্তর এল. মারজিৎ কুমারনা হায়- জিলা থাক্কী ওইনা পাঙথোকিবা য়ুথ ফেষ্টিভেল অসিদগী খনগৎলবা নহাশিংনা ষ্টেট লেবেল কম্পিতিসনদা শরুক য়াগনি। ষ্টেট লেবেল য়ুথ ফেষ্টিভেলদা খনগৎলবা নহাশিংনা মথং থাগী ১২ দগী ১৬ ফাওবা নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল য়ুথ ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াগনি।

ককচিং জিলাগী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ককচিংনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল য়ুথ ফেষ্টিভেল ২০২৫-২৬ ঙসি লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তেংনৌপলগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার পুখ্রম্বম শুবাসচন্দ্র, ককচিংগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার এন.জি. সুনিতা চনু য়াওনা অতৈ ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

ভেন্দর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাদা জিলা থাক্কী ওইবা ভেন্দর দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমসুং এম.এস.এম.ইগী পোখোকশিং উৎপগী থৌরম অমা ঙসি লোইশিনখ্রে। ঙরাংদগী হৌখিবা থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রি সেন্তর চুরাচান্দপুরনা রাইজিং এক্সিলরেতিং ওফ এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স স্কিমগী মীৎয়েং মখাদা শিনবনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা সেক্তরদগী ওন্তরপ্রেন্যুর ১৭ না মখোয় মখোয়না শেম্বা পোৎলম কয়া উৎখি। হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফটস, লৈ অকংবা অমদি চীঞ্জাক শেম শাবনচিংবা উৎপা ষ্টোল কয়া হাংখি।

নুমিৎ নিনি চুপা চথখিবা থৌরম অদুদা এম.এস.এম.ইগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর টি. হাওজেল, দি.এফ.ও ইম্ফাল- পি.সি. লালনুনপুইয়া অমসুং অতৈ অখঙ অহৈশিংনা এম.এস.এম.ইগী খুত্থাংদা করমা পোখোকশিং কৈথেলদা য়োনগনি নত্রগা পোখোকশিং অসি লৈনবা এজেন্সিশিং করমা পাউ ফাওগনি হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। তুংদা, ওফিসিয়েলশিংনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা সার্তিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

এয়ারপোর্ট (এল)ঃ হৌজিক নিংথম থাদা ইংবগী চাং হেনগৎলকপা অমদি লৈচিল কুংনা থাবা তোইনা থোকপনা ফ্লাইট পাইথোক পাইশিনদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং হন্থনবা ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলে। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং, এয়ারলাইন ওপরেতরশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা দ্রাই মোগ এক্সরসাইজশিং য়াওনা লৈচিল কা হেন্না থারকপা মতমদা করমা মায়োকগনি হায়বগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্লি হায়রি।

মন্থ (এল)ঃ নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থকী শরুক অমা ওইনা চহি ৭ খুন্তাকপা অমসুং নেসনেল রিকন্সোলিদেসন হায়বসিদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

ঐখোয় অমুক খুন্তাক্লরোইশি হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ)না শিনবনি। থা অসিগী ৯ দগী হৌদুনা থা অমা চুপা চথুগদবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগী মীফম, খন্ন-নৈনবা, পোষ্টর কেম্পেন, চাকা অনি পানবগী গাড়িগী রেল্লি য়াওনা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি কয়া গুৱাহাতি, বরাক ভেল্লি, আগরতালা অমসুং রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোক্কনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম জোয়কুমারনা হায়- রাজ্য অসিগী মীয়ামা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক কুন্হে ওইনা লৌবা চুমদে। মসিনা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মায় পাকপা পুরকপা ঙমলোই। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অঙম তান্নবনা করিসু কান্নবা পুরক্লোই।

থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা চহি তরেৎ খুন্তাকপগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থা অমা চুপা চথুরক্লিবা থৌরম অসি লোইশিনবা নুমিৎতা লংথবালদা লৈবা মহারাজ গম্ভির অমসুং মহারা নরাসিংহ মেমোরিয়েলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি।

ক্বাক্তা (এল)ঃ    বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না ক্বাক্তাদা লৈবা ক্বাক্তা হাইস্কুলবু হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা ওনখৎপদা লন্নাই লুপ অমদি মীয়াম পুমমকা শৌগৎপীয়ু হায়না ঙসি নৌনা শেমখিবা কন্সট্রক্সন কমিতিগী ৱাঙাংলোই ইস্লা উদ্দিন কাশমিনা আপীল তৌরি ।

থৌবাল (এল)ঃ    থৌবাল জিলাগী তেকচমদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ লাইব্রেরি কম য়ুথ ওর্গনাইজেসন লিংখৎখিবগী ৩৩ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি তেকচম ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চহি অনি হেন্না চত্থরক্লিবা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা লমদম অসিগী অথৌবশিংদা ইকায় খুমবা উৎখি।

সিলভর (এল)ঃ    রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হেন্দিকেপ পার্সন্স য়াহরিপোক লিংখৎখিবা চহি ২৫ মপুং ফারকপগী থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদা লৈবা ইন্সটিট্যুট অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইন্সটিট্যুট অসি লিংখৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা লৈখিদ্রবা থৌমীশিংগী ফোটোদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

পানমৈ (এল)ঃ    এম.এল.এ- জাংহেমলুং পানমৈনা তমেংলোং জিলাগী মীপুম খুদিংমক্তা ১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল মায় পাকা পাঙথোকবা পুন্না অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্ননবা হায়রি। চেরোল অমদা মহাকা হায়- কুন্ধৈ অসি মরুওইনা কোল্লা থারিবা মীওইশিং পুকিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা মখোয়না হোৎনরিবশিং শকখঙবা ওইনা পাঙথোকপনি। জেলিয়াংরোং পুই ফুরুপনা মসি খঙনা কুন্ধৈ অসি অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোকবা মহাকা আপীল তৌরি।

খাবম (এল)ঃ    অপুনবগী শক্তম শাগৎনবগী পান্দমদা ঙসি খাবম চুমব্রৈ থোং মাইবম খোঙনাংখোঙ অপুনবা লুপ শেম্বগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম

**অদুদা লুপ অসিগী থৌ পুগদবশিং খনখিবগা লোয়ননা মরুওইবা ৱারেপ কয়া লৌখি।**

এআর (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থা অসিগী ৬ তগী ১০ ফাওবা চথখিবা ওপরেসনশিংদা আইন্না থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী কেদর ১১ ফারে হায়রি।

আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ফারবা কেদরশিং অদুদি- কে.ৱাই.কে.এল (ওকেন), প্রিপাক-প্রো, কে.ৱাই.কে.এল, আর.পি.এফ-পি.এল.এ, কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি), কে.সি.পি (তাইবংঙানবা), কে.সি.পি (মিলিটরি কাউন্সিল-প্রোগ্রেসিপ)গী কেদর অমমম অমদি য়ু.এন.এল.এফ (কোইরেং) অমসুং কে.ৱাই.কে.এল (সোসিয়েলিষ্ট রিভোলুসনরি) পার্তিগী কেদর অনি অনিনি হায়রি। মখোয়দগী মোবাইল ফোন, আধার কার্দ, শেলনচিংবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি। ফারবা মীওইশিং অসি মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা ঙরাং অখন্নবা ওপরেসন হন্টর কেটস চথদুনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী বোর্দর পীল্লর নম্বর ১০২ অমদি ১০৩ অনিগা মরক্তগী আইনগী ৱাংমদা পুথোকবা হোৎনরম্বা উশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফারবা পোৎলমশিং অদুদা ক্যুবিক ফিট লিশিং ২০,১৬০ গী টিক উ ৩৬০ অমসুং ক্যুবিক ফিট লিশিং ১৭,৯২০ গী ওইবা খাংগ্রা উ ২৮০ নি। ফারবা পোৎলমশিং অসি পুন্না লুপা কোতি ৫ লাখ ২৬ রোমগী ওইগনি। পোৎলমশিং অসি কামজোং ফোরেষ্ট দিভিজন মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক শিন্নখ্রে।

অসাম রাইফলসনা ওপরেস সদভবনাগী মখাদা চুরাচান্দপুর জিলাগী শঙাইকোটতা ঙসি মেগা মেদিকেল অমদি দেন্টেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ৭৫০ রোম লেমা লায়েংখি হায়না পি.আর.ওগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

**রাষ্ট্রপতি ঃ ঙসি অসি জাতিগী ইনর্জি কঞ্জার্ভেসন নুমিৎনি। ইনর্জি**

শিজিন্নবা হন্থহনবগী তঙাইফদবা অমদি ইনর্জিগী লমদা লৈবাক অসিনা পায়খৎলিবা থবকশিং উৎপা ওইনা চহি খুদিংগী নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোক্লি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা চহি অসিগী ওইনা নেসনেল ইনর্জি কঞ্জার্ভেসন এৱার্দ অমদি ইনর্জি কঞ্জার্ভেসনগা মরী লৈনবা জাতিগী থাক্তা লাই য়েকপা চাংদমবগী মনা ফংলবশিংবু নিউ দিল্লিদা তরামা ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ইনর্জিবু লিকা শিজিন্নবা হায়বসি হৌজিক্কি মতমদা তঙাইফদবা অমা ওইরে। মহাকা হায়- ইনর্জি য়ুনিত অমমম কলহৌবা হায়বসিনা প্রকৃতিবু ঙাক শেনবগা লোয়ননা তুংগী মীরোলগীদমক চেকশিনবা অদু উৎলি। শ্রীমতি মুরমুনা হায়- ইনর্জি লিকা শিজিন্নবা অমসুং ক্লিন ইনর্জিগী লমদা ভারতনা শিংথানিঙাই ওইবা থবক পায়খৎলে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রি মনোহর লালনা মনা ফংলবশিং অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

ওর্দর ঃ লৈবাক্কী কোনুং অমদি মসিগী অকোইবা মফমশিংগী কম্মিসন ফোর এয়ার ক্বালিতি মেনেজমেন্ট (সি.এ.কিউ.এম)না দিল্লি অমসুং এন.সি.আর রাজ্য সরকারশিংদা থা অসিদা পাঙথোকবা লেপ্লন্বা ফিজিকেল স্পোর্টস কম্পিতিসনশিং য়ৈথোকবা খঙহনখ্রে।

কম্মিসন অসিনা স্কুলশিং, মহৈ তম্ফমশিং, স্পোর্টস বোদিশিং অমদি লোকেল ওথোরিতিশিংদা আউটদোর ফিজিকেল স্পোর্টস লেপবা, মমা মপা ওইবশিংবু নিংথিনা ভাব তাহন্নবা অমসুং হুকুম অসি মপুং ফানা চৎনরিব্রা হায়বদু কুপা য়েংশিন্নবসু খঙহনখ্রে। সুপ্রিম কোর্টকী হুকুম অমা নৌহৌনা নিংশিংলদুনা সি.এ.কিউ.এমনা হায়- নুংশিৎ কা হেন্না শেংদবা মতম অসিদা ফিজিকেল স্পোর্টসশিং পাঙথোকপনা অঙাংশিংগী হকশেলদা খুদোংথিনিঙাই ওইগনি।

ওষ্ট্রেলিয়া ঃ ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনিগী বোন্দি বিচতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম চথখিবা এটেক অমদা সুত্তর অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিরে। অতোপ্পা সুত্তর অমদি পুলিস কষ্টদিদা লৈরি। মহাকসু অরুবা ফিভমদা লৈরি।

থৌদোক অদুদা পুলিস ওফিসার অনি য়াওনা অতৈ মীওই ২৯ সু শোকখি।

প্রধান মন্ত্রি এন্থোনি অলবানিজনা থৌদোক অদুবু থম্মোয় শোকিঙাই ওইবা অমসুং নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি হায়রি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা তমথিরবা তেরোরিষ্টকী এটেকনি হায়না ফোংদোক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা লৈখিদ্রবশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি।

মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনসু বোন্দি বিচকী থৌদোক অদুবু তেরোরিষ্টকী এটেকনি হায়রদুনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোক্কি ঃ ভারত লাম্মীনা শিন্দুনা চহি ১৯ মখাগী রেড সিল্ড দিভিজন রাইজিং হোক্কি তুরনামেন্ট ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসি চয়োল অমা চুপা চত্থগনি।

তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৮ না শরুক য়ারি। ঙসি শান্নখিবা অহৌবগী মেটচতা খোংমন ষ্টুদেন্টস ক্লবনা তাওবুংখোক ৱেলফ্যার ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা মেটচতা লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ৮-১ দা থোইখ্রে।

পোলো (এল)ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা অনিসুবা দি.জি.এ.আর মেন্স এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা- লুৱাংপোকপা পোলো ক্লবনা আরবিন্দ-বি পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৪ দা, এক্স পোলো ক্লব

ৱাংখৈনা লিয়ামান পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০-৩ দা, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা এম.পি.এস.সি টিম সিবু পাঞ্জল ১৫-২ দা, এম.পি.এস.সি-বিনা তেন্থা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৪ দা, ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লবনা পেরাদাইজ পোলো ক্লব ৱাংখৈব্ পাঞ্জল ১৫-২ দা, এম.পি.এস.সি টিম-এনা লোয়লাকপা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৪ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ অহুমসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি সেক্তাগী এস.এস.সি গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা সাউদর্ন স্পোর্তিং য়ুনিয়ন অমসুং সোসিয়েল স্পোর্তিং ক্লব পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবনা রাইজিং এথলেতিক য়ুনিয়ন (রাউ)বু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা মেটচতা- এস.য়ু শগোলবন্দনা থাড থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ২ দা থোইখ্রে।

মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলনা এস.দি.সি লাইফম খুনৌবু রন ৩৩ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নফসা খা ইম্ফালনা এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংবু রন ৭২ থোইখ্রে।

------